

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, TUESDAY, NOVEMBER 12, 2019 **PAGE 7**


*ক্রিকেট মশান্নগী টি–২০ ফোরমেটতা ইংলেন্দগী অহানবা বেটসমেন ওইনা রন ২০০০ য়ৌবা ঙমখ্রবা ইয়োন মোরগান*

*এসিয়ান সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা সিলভর মেডল লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী সুট্টর সৌরভ চৌধারি*



## ইন্দিয়াগী এঠলেট সুন্দরনা গোল্ড ফংদুনা টোকিওও পেরালিম্পিক্সকী কোটা ফংখ্রে



*দুবাই, নবেম্বর ১১ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপা পেরা এঠলেট সুন্দর সিংহ গুরজারনা য়ু এ ইগী কোনুং দুবাইদা চত্থরিবা ৱার্ল্ড পেরা এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপকী এফ৪৬ জেবলিন থ্রো ইভেন্টতা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০২০ দা জপানগী কোনুং টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা পেরালিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

সুন্দর সিংহ গুরজারনা টোকিও ২০২০ পেরালিম্পিক গেমসতা কোটা ফংবা ইন্দিয়াগী অহুমশুবা পেরা এঠলেটনি। মমাঙদা অজিৎ সিংহ অমসুং রিঙ্কুসু পেরালিম্পিক্সকী কোটা ফংবা ঙমখ্রবনি।

ইন্টরনেসনেল পেরালিম্পিক কম্মিটিগী চৎন–পথাপকী মতুং ইন্না চত্থরিবা ৱার্ল্ড পেরা এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা রেঙ্ক ফোরগী মনুংদা লৈবা এঠলেটশিংনা কুমজা ২০২০ টোকিও পেরালিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাইদ ওইগদৌরিবনি।

ৱার্ল্ড পেরা এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা এফ৪৬ জেবলিন থ্রোগী ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী পেরা এঠলেট সুন্দর সিংহ গুরজারনা মিটর ৬১.২২ শান্না লংদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখ্রে।

ইভেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা পেরা এঠলেট অজিৎ সিংহনা মিটর ৫৯.৪৬ দা সিলভর মেডল ফংখি। ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা লৈবাক অসিগী অতোপ্পা এঠলেট রিঙ্কুনা মরিশুবা পোজিসন তাখি।

মশাগী চহী ২৩ শুরবা সুন্দর সিংহ গুরজারনা কুমজা ২০১৭ দা লন্দনদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী টাইটল দিফেন্দ তৌবা ঙম্বদা নত্তনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা মেডল অনী ফংবা ঙম্বা ইন্দিয়াগী অনীশুবা পেরা এঠলেট ওইবা ঙমখি।

মমাঙদা ইন্দিয়াগী পেরা এঠলেট দেবেন্দ্র ঝাঝারিয়ানা কুমজা ২০১৩ লিওন অমদি ২০১৫ দোহা চেম্পিয়ন্সিপ্তা মথংশিংনা গোল্ড অমসুং সিলভর মেডল ফংবা ঙমখিবনি।

দুবাইদা চত্থরিবা ৱার্ল্ড পেরা এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়ানা গোল্ড ২, সিলভর ১ অমসুং ব্রোঞ্জ ১ পুন্না মেডল ৪ ফংবা ঙল্লি।

ঙসি অথেংবদা পাঙথোক্কদবা তোঙান–তোঙানবা কম্পিটিসনশিংদা ইন্দিয়াগী এঠলেট ৬ শরুক য়াগনি। মখোয়গী মনুংদা ইক্টা ভিয়ান অমসুং কাসিস লাক্রানা ৱুমেন'স ক্লব থ্রো এফ৫১ ফাইনেলদা শরুক য়াগনি। অদুগা যোগেস কাথুনিয়ানা মেন'স দিস্কস থ্রো এফ৫৬ ফাইনেলদা শরুক য়াগনি হায়রি।

## এসিয়ান সুট্টিংদা সৌরভনা সিলভর মেডল ফংখ্রে

*দোহা, নবেম্বর ১১ (এজেন্সি)ঃ*

কাটারগী কোনুং দোহাদা চত্থরিবা ১৪শুবা এসিয়ান সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী সুট্টর সৌরভ চৌধারিনা নুপাগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা সিলভর মেডল ফংখ্রে।

১৪শুবা এসিয়ান সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা মশাগী চহী ১৭ শুরবা এসিয়ান গেমস গোল্ড মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী সুট্টর সৌরভ চৌধারিনা পোইন্ট ২৪৪.৫ ফংদুনা সিলভর মেডল লৌখি।

ইভেন্ট অসিগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা ইন্দিয়াগী সুট্টর সৌরভ চৌধারি অমসুং অভিসেক ভর্মা পোইন্ট ৫৮৩ / ৫৮৩ ফংদুনা মথং শিংনা ৭শুবা অমদি ৬শুবা মফম কন্দুনা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌরকপনি। অদুবু অভিসেক ভর্মাদি ফাইনেল রাউন্দদা ৫শুবা তাহৌখি।

ইন্দিয়াগী নুপা সুট্টর সৌরাভ চৌধারি অমসুং অভিসেক ভর্মা মাঙজৌননা টোকিও ওলেম্পিক্সকী কোটা ফংবা ঙমখ্রবনি।

নুপাগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্ট অসিদা নোর্থ কোরিয়াগী সুট্টর কিম সোং গুকনা পোইন্ট ২৪৬.৫ দা গোল্ড মেডল লৌখি অদুগা ইরানগী সুট্টর ফোরোঘি জাভেদনা পোইন্ট ২২১.৮ দা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখি।

## নেদরলেন্দস অমসুং মেক্সিকো মায় পাক্কুনা ফিফা য়ু–১৭ ৱার্ল্ড কপকী সেমি ফাইনেলদা থেংনরগনি







*কারিয়াসিকা, নবেম্বর ১১ (এজেন্সি)ঃ*

ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইরগা চত্থরিবা মেন'স য়ু–১৭ ফিফা ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা মায় পাক্কুনা নেদরলেন্দস অমসুং মেক্সিকোনা সেমি ফাইনেল মেটচতা থেংনরগনি।

ফিফা মেন'স য়ু–১৭ ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা নেদরলেন্দসনা পরাগ্বেবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসি শান্নবা হেক হৌরকপদগী টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী মেটচকী মিনট ২০ হেন্না হৌজিনখ্রবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা নেদরলেন্দসকী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা দেলানো হোইভরনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপদা গোল মাঙজিল থারিবা নেদরলেন্দসকী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চত্থদুনা লাকখি। মেটচকী ৪০শুবা মিনটতা টিম অসিনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা সোন্টজে হান্সেননা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা লাকখি।

গোল শোত্থরিবা পরাগ্বেগী শান্নরোইশিংনা নেদরলেন্দসকী মায়কৈদা এটেক কয়া চত্থদুনা গোল হন্দোক্নবা হোৎনরকখি। টিম অসিনা হোৎনজরকপগী মহৈ ওইনা মেটচকী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখ্রবা মতুং ইনজুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা পরাগ্বেগী শান্নরোই দিএগো দুৱারটেনা গোল অমা হন্দোক্লগা ১–২ দা শোত্থরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা মতম খরা অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি। মেটচকী ৭৮শুবা মিনটতা নেদরলেন্দসকী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা জয়দেন ব্রাফনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৩–১ দা হেল্লগা মায় পাকপগী লম্বেলদা পুশিল্লকখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইগদবা য়ামশিল্লক্রবা ৮৬শুবা মিনটতা নেদরলেন্দসকী অতোপ্পা শান্নরোই নাসি উনুভরনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অসি নেদরলেন্দসনা পরাগ্বেবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীদুনা য়ু–১৭ ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ফিফা মেন'স য়ু–১৭ ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা মেক্সিকোনা সাউথ কোরিয়াবু ১–০ দা থোইদুনা মেক্সিকোসু সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মেক্সিকো অমদি সাউথ কোরিয়ানা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অসি টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু মতম গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি। মেটচকী ৭৭শুবা মিনটতা মেক্সিকোগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা আলি অভিলানা মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু চন্দুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

## সাফালি ভর্ম অমদি দিপ্তি শর্ম্মগী ফজবা পার্ফোমেন্সনা ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজবু ৱিকেট ১০ দা মায়থিবা পীখ্রে



*সেন্ট লুসিয়া, নবেম্বর ১১ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিম্না ৱেষ্ট ইন্দিজগা শান্নরিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী মনুং চন্না ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা অনীশুবা টি–২০ মেটচতা ইন্দিয়াগী বেটসৱুমেন সাফালি ভর্ম অমদি বোল্লর দিপ্তি শর্ম্মগী ফজবা পার্ফোমেন্সনা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ৱেষ্ট ইন্দিজবু ৱিকেট ১০ দা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ ২–০ দা মাঙজিল থাখ্রে।

অনীশুবা টি–২০ মেটচ অসিগী টোস ৱেষ্ট ইন্দিজনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌরকখি। মখোয়গী ওভর ২০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৭ আওট ওইরগা রন ১০৩ খক লৌখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী নুপী ক্রিকেট টিমগী বেট্টিং অসি হৌবদগী ফিভম শোকখি। ওপনর ষ্টাসি অন কিং শুপ্পগী রন ৭ তা আওট ওইখি। টিম অসিগী অতোপ্পা ওপনর হেলি মেথ্যুজসু রন ২৩ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

৪শুবা বেটসৱুমেন ওইনা চঙলকখিবী চেদিন নেসননা বোল ৩৬ মায়োক্নবদা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৩২ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি।

৫শুবা বেটসৱুমেন ওইনা চঙলকখিবা নাটাসা মেকলিননা বোল ১৫ দা সিক্স অমসুং ফোর অমমম য়ৈরগা রন ১৭ লৌরম্বা অসি নত্তনা অতোপ্পা বেটসৱুমেনশিং রন ১০ য়ৌবা অমত্তা ঙমখিদবদগী ৱেষ্ট ইন্দিজগী ইন্নিংস অদু ওভর ২০ দা ৱিকেট ৭ আওট ওইরগা শুপ্পগী রন ১০৩ দা লোইশিনখি।

ইন্দিয়াগী বোল্লিংদা দিপ্তি শর্ম্মনা য়াম্না ফজবা বোল্লিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেটসৱুমেন ৪ আওট তাহনবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোল্লর সিখা পান্দে, রাধা যাদব অমসুং পুজা ভাষ্ট্রেকরসু ৱেষ্ট ইন্দিজগী ৱিকেট অমমম লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিম্না অনীশুবা টি–২০ মেটচ অসি মায় পাক্নবগী রন ১০৪ লৌবগী মথৌ তাখিবা অদু ১১শুবা ওভরগী অহুমশুবা বোলদা ৱিকেট অমত্তা আওট ওইদনা লৌবা ঙমদুনা মেটচ অসি ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজবু ৱিকেট ১০ দা য়াম্না চাওনা মায়থিবা পীবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু সাফালি ভর্ম অমসুং স্মৃতি মন্ধনানা হৌদোরকখি। মখোয় অনীনা আওট ওইদনা শান্নদুনা মেটচ অসি চাওনা মায় পাকপা ঙমখি। সাফালি ভর্মনা বোল ৩৫ মায়োক্নবদা সিক্স ২ অমদি ফোর ১০ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৬৯ লৌরমখি।

টিম অসিগী অতোপ্পা ওপনর স্মৃতি মন্ধনাসু বোল ২৮ মায়োক্নবদা ফোর ৪ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৩০ লৌরমদুনা মেটচ অসি মায় পাকপদা চাওনা মতেং পাঙখি।

## ইন্দিয়ানা বাংলাদেশপু রন ৩০ দা থোইখ্রে

*নাগপুর, নবেম্বর ১১ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিম্না ঙরাং অথেংবদা বাংলাদেশকা শান্নখিবা অহুমশুবা টি–২০ মেটচতা য়ুম্বু ইন্দিয়ানা বাংলাদেশপু রন ৩০ দা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ ২–১ দা লৌখ্রে।

অহুমশুবা অমসুং অরোইবা টি–২০ মেটচ অসিগী টোস বাংলাদেশনা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি। ইন্দিয়ানা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নরকপদা ওভর ২০ দা বেটসমেন ৫ আওট ওইরগা রন ১৭৪ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ওপনর অমদি কেপ্টেন ওইরিবা রোহিট শর্ম্ম শুপ্পগী রন ২ দা আওট ওইখি। অতোপ্পা ওপনর সিখর ধৱনসু রন ১৯ লৌরম্লগা আওট ওইখি। লোকেস রাহুল অমদি শ্রেয়াস আয়রনা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা রন ১০০ নকশিহনখি।

লোকেস রাহুল রন ৫২ লৌরম্লগা আওট ওইখি। শ্রেয়াসনা খ্বাইদগী ফজবা ওইনা রন ৬২ লৌবা ঙমখি। ৬শুবা বেটসমেন ওইখিবা মনিস পান্দেসু আওট ওইদনা রন ২২ হাপচিনবা ঙমখি।

বাংলাদেশনা রন ১৭৫ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ২০শুবা ওভরগী অনীশুবা বোলদা বেটসমেন ১০ মক আওট ওইদুনা শুপ্পগী রন ১৪৪ দা লোইশিনখিবদগী মেটচ অসি ইন্দিয়ানা রন ৩০ দা মায় পাক্কুনা সেরিজ ২–১ দা লৌখি।

## ইন্দিয়াগী সাটৱিক–চিরাগ, সিন্ধু অমসুং সাইনানা হোং কোং ওপন বেদমিন্টনদা চাওনা মীৎয়েং থল্লি



*হোং কোং, নবেম্বর ১১ (এজেন্সি)ঃ*

হোং কোংদা হয়েংদগী শান্নবা হৌগদৌরিবা য়ু এস দোলর ৪০০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা হোং কোং ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সাটৱিক–চিরাগ, পি ভি সিন্ধু অমসুং সাইনা নেহৱালনা চাওনা মীৎয়েং থল্লি।

নুপাগী দবলসতা ৱার্ল্ড নম্বর ৯ ওইরিবা ইন্দিয়াগী পেয়র সাটৱিকসাইরাজ অমসুং রানকিরেদ্দিনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা জপানগী পেয়র টাকুরো হোকী অমসুং য়ুগো কোবায়াসিগা শান্নদুনা কেম্পেন হৌদোক্কনি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী দবলস পেয়র সাটৱিকসাইরাজ অমসুং চিরাগ সেট্টি হন্দক্তা লোইশিনখিবা ফুঝৌ চাইনা ওপন বেদমিন্টনগী সেমি ফাইনেলদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ইন্দোনেসিয়াগী পেয়রগী মখূত্তা মায়থিদুনা লৈহৌবনি।

হোং কোং ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা শরুক য়ারিবী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু ৬শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়াদুনা সাউথ কোরিয়াগী কিম গা ইয়ুনগা লম্বা তৌনরগনি।

ফ্রেঞ্চ ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন সিন্ধু চাইনা ওপনগী অহানবা রাউন্দদা লৈহৌখিবনি। অদুগা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই ইন্দোনেসিয়া মাষ্টর্স চেম্পিয়ন সাইনা নেহৱালসু চাইনা ওপনগী অহানবা রাউন্দদা চাইনাগী কাই য়ানগী মখূত্তা মায়থিহৌখি।

ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা হোং কোং ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা ৮শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়াদুনা হয়েং শান্নগদবা অহানবা রাউন্দদা চাইনাগী কাই য়ান য়ানগা লম্বা তৌনগদৌরি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা শান্নরোই কিদম্বী শ্রিকান্থসু অহানবা রাউন্দদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান জপানগী কেন্টো মোমোটাগা শান্নদুনা কেম্পেন হৌদোক্কনি।

হাং কোং ওপন বেদমিন্টন অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সাই প্রনিথ, সমির ভর্ম, ঐচ এস প্রনোই অমসুং পরুপল্লি কাশ্যপসু শরুক য়ারি।

## গ্রিসকী সিটসিপাস অমসুং স্বিটজরলেন্দগী ফেদরর মায় পাকখ্রে

*লন্দন, নবেম্বর ১১ (এজেন্সি)ঃ*

ইংলেন্দনা য়ুম্বু ওইরগা শান্নরিবা এ টি পি ৱার্ল্ড ফাইনেলসকী গ্রুপ মেটচশিংদা গ্রিসকী ষ্টেফানোস সিটসিপাস অমসুং স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর মায় পাকখ্রে।

এ টি পি ৱার্ল্ড ফাইনেলস অসিগী ঙসি শান্নখিবা এন্দ্রি অগাসিগী সিঙ্গলস মেটচ অমদা গ্রিসকী ষ্টেফানোস সিটসিপাসনা রুশিয়াগী দানিল মেদভেদভপু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীখি।

অহানবা সেট য়াম্না লম্বা মান্নরকপদগী টাই ব্রেক্তা গ্রিসকী সিটসিপাসনা রুশিয়াগী মেদভেদেভপু ৭–৬(৭–৫) দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেট শান্নরকপদা গ্রিসকী সিটসিপাসনা রুশিয়াগী মেদভেদেভকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা মেটচ অসি মায় পাকপা ঙমখিবনি।

এ টি পি ৱার্ল্ড ফাইনেলস অসিগী বিজোর্ন বোর্গ গ্রুপকী সিঙ্গলস মেটচ অমদা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমবু ষ্ট্রেট সেটতা থোইখি। অহানবা সেট ফেদররনা ৭–৫ দা থোইদুনা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেট শান্নরকপদসু এক্সপরিয়েন্স লৈরগা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা অহানবা স্কোরগা চপ মান্ননা ৭–৫ দা থোইদুনা মেটচ অসি মায় পাকখি।

## জুবেন্টসনা মিলানবু ১–০ দা থোইদুনা সেরি এগী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লেঙদনা লৈবা ঙল্লি

*রোম, নবেম্বর ১১ (এজেন্সি)ঃ*

ইটালিদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা জুবেন্টসনা মিলানবু ১–০ দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লেঙদনা লৈবা ঙল্লি।

জুবেন্টস অমসুং মিলাননা শান্নখিবা লীগ মেটচ অসি হেক হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকপদগী অহানবা হাল্ফকী শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা য়ুম্বু টিম ওইখিবা জুবেন্টসকী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চত্থদুনা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। টিম অসিগী শান্নরোইশিংগী হোৎনজমন অসিগী মহৈ ওইনা মেটচকী ৭৭শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোই পাওলো দিবালানা মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু চন্দুনা ১–০ দা মায় পাকখি।

সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা পারমানা রোমাবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

অহানবা হাল্ফতা গোল চন্নখিদ্রবা মতুং অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা নাকল অনীদগী অকনবা এটেক চত্থনদুনা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। মেটচকী ৬৮শুবা মিনটতা পারমাগী শান্নরোই মাট্টিয়া স্প্রোকাটিনা গোল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মতম কুইনা অহেনবা গোল চন্নদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী অরোইবা মিনটতা পারমাগী অতোপ্পা শান্নরোই এন্দ্রিয়াজ কোর্নেলিয়সনা গোল অমগা হাপচিন্দুনা মেটচ অসি ২–০ দা মায় পাকখি।

স্পেনগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগাদা সিভিলানা রিয়েল বেটিসপু ২–১ দা থোইখি। সিভিলাগী গোলশিং অদু মেটচকী ১৩শুবা মিনটতা লুকাস ওকেম্পোসনা অহানবা অদুগা ৫৫শুবা মিনটতা টিমমেট ল্যুক দি জোংনা অনীশুবা গোল চনখি। রিয়েল বেটিসকী গোল অদুনা ৪৫শুবা মিনটতা লোরেন মোরোননা চনখি।

### ক্রোসৱার্দ ৩৩৫ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| D | E | A | L | | T | A | L | E | S | | S | P | A | S |
| E | L | L | A | | A | M | I | N | O | | K | E | L | P |
| N | U | T | S | | S | E | N | D | S | | I | S | L | E |
| I | D | E | A | | K | N | E | E | | L | L | O | Y | D |
| M | E | R | G | E | | | N | A | S | A | L | | | |
| | | | N | E | A | R | | R | E | N | E | W | A | L |
| A | R | R | A | N | G | E | D | | R | E | T | I | R | E |
| L | E | O | | | E | X | I | L | E | | | P | E | G |
| S | A | L | O | O | N | | P | A | N | A | C | E | A | S |
| O | R | L | A | N | D | O | | W | E | L | L | | | |
| | | | T | E | A | R | Y | | | L | E | A | S | E |
| S | T | E | M | S | | P | E | A | R | | A | G | E | D |
| L | I | V | E | | S | H | A | D | E | | R | I | N | G |
| A | R | I | A | | E | A | S | E | L | | E | L | S | E |
| T | E | L | L | | A | N | T | S | Y | | R | E | E | D |


**MSPDCL না Roof Top Solar Photo Voltaic (RTSPV)**

কন্নেক্সন্দা অথিংবা লৈতে

হৌখিবা তাং ১০/১১/২০১৯ দা মণিপুরদা ফোংবা পাউ–চে খরদা পাৎশোই কেন্দ্রদা MSPDCL না Roof Top Solar Photo Voltaic (RTSPV) কন্নেক্সন পীবদা অথিংবা লৈ হায়বা অসি কম্পেনি অসিনা থিংখিবা অমসুং য়াখিদবা লৈতে। হৌজিক ফাওবদা MANIREDA না কম্পেনি অসিদা PPA সহি তৌনবা থাজিল্লকপা Application অমত্তা সহি তৌদনা লোইশিন্দবা লৈতে।

Roof Top Solar Photo Voltaic (RTSPV) Scheme অসি MANIREDA না মণিপুরগী ওইনা State Nodal Agency ওইদুনা জানুৱারী, ২০১৭ দগী Manipur State Power Distribution Company Limited (MSPDCL) গা খূৎশন্নদুনা Grid তা মৈ শন্বা হৌরকখি। ষ্টেট অসিদা নিয়ম চুন্না Roof Top Solar Photo Voltaic (RTSPV) কন্নেক্সন তৌবদা MSPDCL না অথিংবা অমসুং য়াখিদবা লৈতে। হৌজিক ফাওবদা MSPDCL না Power Purchase Agreement (PPA) সহি তৌনখিবা Consumer মশিং 685 শুখ্রে। লোয়ননা MANIREDA গী খুত্থাংদা RTSPV খিন্দুনা Grid তা শমখিবা মশিংনা 280 দমক ঙাইরি। লেমহৌরিবা কঞ্জুমর মশিং অসি Grid তা কন্নেক্সন তৌবিয়ু হায়না হায়রকখিবা লৈতে।

কমপেনি অসিনা কঞ্জুমরশিংগীদমক পুং ২৪ চয়োল চুপ্পা মৈ পীনবা হোৎনবদা নত্তনা Roof Top Solar Photo Voltaic (RTSPV) নচিংবা স্কিম কয়া অমা ইমপ্লিমেন্ট তৌদুনা Renewable energy বু হেন্না পুথোকনবা হোৎনবদা মতেং পাংদুনা লাক্লি।

Sd/-
( Th. Aton Singh )
Executive Director (Comml)
MSPDCL

SL/Bill (MSPDCL)/12